# ইন্দিয়ানা হন্দক্তা ওফিসল ট্যুটর একাউন্টশিং ব্লোক তৌখিবগী থৌওং পাকিস্থাননা কন্না প্রোটেষ্ট তৌখ্রে




ইস্লামাবাদ, জুলাই ২ (এজেন্সী): ইন্দিয়ানা হন্দক্তা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা পাকিস্তানি দিপ্লোমেটিক মিশনশিংগী হেন্দলশিং য়াওনা পাকিস্থানগী ওফিসিল ট্যুটর একাউন্ট কয়া ব্লোক তৌখিবগী থৌওংবু ইস্লামাবাদনা অকনবা মওংদা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

থাংজ নুমিত্তা ফোরেন ওফিসনা ইস্লামাবাদতা লৈরিবা ইন্দিয়ন চার্জ দি এফিয়র সমন তৌখি অমসুং ইন্দিয়াগী থৌওং অদু প্রোটেষ্ট তৌরদুনা মদু মালেমগী ওইবা চৎন কাংলোনশিংগী মায়োক্তনি হায়খি।

মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফিয়ার্সনা থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, মদুদি ইস্লামাবাদতা লৈরিবা ইন্দিয়ন চার্জ দি এফিয়রনা ঙসি মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফিয়ার্সতা কৌখৎখি অমসুং ইন্দিয়ন গভর্নমেন্টনা হন্দক্তা ইরান, টর্কি, ইজিপ্ট, য়ুএন-ন্যু য়োর্কতা লৈরিবা পাকিষ্টানগী দিপ্লোমেটিক মিশনশিং অমসুং নেসনেল ব্রোদকাষ্টর রেদিও পাকিষ্টানগী একাউন্টশিং য়াওনা জিও ব্লোক্কিং চথুদুনা একাউন্ট ৮০ গী কন্টেন্ট শীজিন্নবা য়াহন্দনবগীদমক ইন্দিয়ন গভর্নমেন্টনা একাউন্টশিং অদুবু ব্লোক তৌখিবগী থৌওং অকনবা মওংদা প্রোটেষ্ট তৌখি।

চার্জ দি এফিয়ার্সতা ইন্দিয়াগী এক্সনশিং অসি ইন্টরনেসনেল ষ্টেন্দর্দ, ওব্লিগেসন্স, নোমস অমসুং ইনফোর্মেসন থাদোক থাজিন তৌবগী ফ্রেমৱার্ককী মায়োক্তনি অমসুং মদুনা ইন্দিয়ন গভর্নমেন্টনা ফন্দামেন্টেল ফ্রিদমশিং মীপায়নিংঙাই ওইবা মওংদা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনৈ হায়বসি উৎলি হায়না খঙহনখি।

মপানদা লৈরিবা পাকিষ্টানগী দিপ্লোমেটিক মিশনশিংগী ট্যুটর একাউন্টশিং ব্লোক তৌবা হায়বসি পাকিষ্টানগী ইনফোর্মেসন শীজিন্নবা য়াবগী রাইট অমগী ওপিনিয়ন ফোঙদোকপগী ফন্দামেন্টেল ফ্রিদম্বু থিংনবা অতম্নবা হোৎনরকপনি হায়বসি য়াম্না ময়েক শেংলে হায়না ইস্লামাবাদনা ফোঙদোকখি।

ট্যুটরনা মরু ওইবা লৈবাক কয়াদা লৈরিবা পাকিষ্টানগী দিপ্লোমেটিক মিশন কয়াগী ওফিসল ট্যুটর একাউন্টশিংগী মনুংদা য়াম্লবদা একাউন্ট ৮০ ব্লোক তৌরিঙৈ মরক্তা পাকিষ্টাননা ইস্যু অসি মায়োক্নরক্লিবনি।

পাকিষ্টাননা ৱাফম অসিগী মতাংদা মাইক্রো-ব্লোগ্গিং সাইট অসিদা ৱাকৎখি অমসুং ইন্দিয়ানা থিংজিনখিবা হেন্দলশিং অদু খুদক্তা এক্তিবেট তৌননবা তকশিনখি।

ইন্দিয়াদা ইনফোর্মেসন থাদোক থাজিনগী থবক্তা অতম্নবা ষ্টেটনা অথিংবা থম্নবা হোৎনরকপা হায়বসি য়াম্না মীপায়নিংঙাই ওইবা থৌওংনি। সোসল মেদিয়া প্লেটফোর্মশিংনা ইনফম থোকপা ইন্টরনেসনেল নোমশিং ইনগদবনি। ঐখোয়না ট্যুটরদা ঐখোয় ঐখোয়গী একাউন্টশিং অদুবু খুদক্তা শীজিন্নবা য়াহন্নবা অমসুং দিমোক্রেটিক ফ্রিদম ওফ স্পিস অমসুং এক্সপ্রেসন ঙাক্লনবা ঐখোয়না তকশিল্লি হায়না মেটর অদু ট্যুটরদা পুখৎলবা মতুংদা ফোরেন ওফিসনা ফোঙদোকখি।

পাকিষ্টাননা ইন্দিয়াবু সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টগী অরানবা থবক থৌরম কয়াবু ক্রিটিসাইজ তৌরিবা এক্সপার্টশিং অমদি সেনিয়র জর্নেলিষ্টশিংগী একাউন্টশিং ব্লোক তৌই হায়নসু মরাল শীখি।

ইন্দিয়াদা লৈরিবা পাকিষ্টানগী দিপ্লোমেটিক মিশনশিংগী ট্যুটর একাউন্টশিং ব্লোক তৌবগা মরী লৈনবা এক্সনশিং খুদক্তা হন্দোক্নবা ঐখোয়না গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াদা তকশিল্লি।

ইন্দিয়ানা ইন্টরনেসনেল নোমশিং ঙাকপগা লোয়ননা ফন্দামেন্টেল ফ্রিদমশিংগী প্রোটেক্সন পীগদবনি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোকখি।

# য়ুক্রেনগী খা থাংবা ওদেষা রিজনদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা মিসাইল ষ্ট্রাইক চথবদা মীওই ২১ শিরে



কিভ, জুলাই ২ (এজেন্সী): খা থংবা ওদেষা রিজনদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা মিসাইল ষ্ট্রাইক কয়া চথবদগী অঙাং অমা য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ২১ শিরে হায়না য়ুক্রেনিয়ন ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা ষ্টেট ইন্মর্জেন্সি সার্ভিস ওফ য়ুক্রেন (দিএসএনএস) না হায়খি, মদুদি ইরাই নুমিৎকী অহিংদা সেরহিয়িবকা ভিলেজদা লৈবা মথোল মাপনগী বিল্ডিং অমদা মিসাইল অমা কাপশিল্লকপদগী মীওই ১৬ শিখি।

ভিলেজ অদুমক্কী হোলিদে রিজোর্ট অমদা চথুরকখিবা তোঙানবা মিসাইল ষ্ট্রাইক অমদা চহী ১২ শুবদা ঙাইরিবা অঙাং অমা য়াওনা মীওই মঙা শিখি।

দিএসএনএসকী মতুং ইন্না মিসাইল ষ্ট্রাইকশিং অদুদা অঙাং তরুক য়াওনা অতৈ মীওই ৩৮ সু অশোক অপন নঙখি।

অমরোমদা, রসিয়ানদি মিসাইল ষ্ট্রাইকশিং অদু চথুখি হায়বা য়াখিদ্রে। য়ুক্রেনিয়ন ওফিসলশিংনা ক্লেম তৌখি মদুদি ব্লেক সিগী মথক্তা পায়খিবা রসিয়ন ৱার প্লেনশিংনা মিসাইল অহুম কাপ্লকখি। ওদেষা রিজনেল এদমিনিষ্ট্রেসনগী স্পোক্সমেন সেরহি বার্চুক্না ফোঙদোকখিবদা মিসাইল এটেক্ট অদুদা সোভিএট মতমগী এক্স-২০ মিসাইলশিং শীজিন্নরমগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

সিটি অদুগী মেয়র গেনাদি তুখানোপনা এজেন্সিদা হায়খি, সেরহিয়িবকা ভিলেজ মনাক্তা মিলিটরি ইন্সটোলেসনশিং নত্ত্রগা রাদর ষ্টেসনশিং লৈতে। রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনদি সেরহিয়িবকাগা নক্লনা মিলিটরি ইন্সটোলেসনশিং নত্ত্রগা রাদর ষ্টেসনশিং লৈ হায়না ফোঙদোকখিবনি।

মেয়র অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি ওদেষাগী মীয়াম্না হৌজিক রসিয়নশিংনা মখা তানা এটেক্ট কয়া চথরকপা য়াই হায়বগী অকিবগা লোয়ননা লৈরি। মিসাইল ষ্ট্রাইকশিং অদুগী পাউখুম ওইনা প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিগী চীফ ওফ ষ্টাফ এন্দ্রি য়েরমার্কনা রসিয়াবু টেররিষ্ট লৈবাক অমনি হায়না মরাল শীখি। মহাক্না হায়খি, লানবুংশিংদা মায়থীবা নঙবদগী রসিয়নশিংনা সিভিলিয়নশিংদা ওইনা লান চথরক্লে।

চৈরকসিদা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা কিভতা খোঙচৎ অমা লাক্লিবা নোর্ৱেগী প্রাইম মিনিষ্টর জোনাস ঘাহর ষ্টোরগা উন্নদুনা কিভপু মখা তানা সপোর্ট পীবগী ৱাফম খন্নখ্রে।

# সাউথ চাইনা সিদা মতিক ময়াই লৈরবা তাইফুননা জহাজ অমা কায়হনখ্রে, ক্রু মেম্বর ২৪ হেন্না থীবা খঙদ্রে



কোংহোং, জুলাই ২ (এজেন্সী): থাংজ নুমিত্তা সাউথ চাইনা সিদা মতিক ময়াই লৈরবা তাইফুন অমনা জহাজ অমবু শরুক অনী থোক্না কায়হনখিবগা লোয়ননা ক্রু মেম্বর ২৪ হেন্না থীবা খঙখিদ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসলশিং অদুগী মতুং ইন্না রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা ক্রু মেম্বরশিং অদু থীবগী থবক চথুরি। হোংকোং গভর্নমেন্ট ফ্লাইং সার্ভিসকী মতুং ইন্না হোংকোংগী খা নোংচুপরোমদা নোটিকেল মাইল ১৬০ লাপ্না লৈরিবা এঞ্জিনিয়ারিং বেসেল অমা শাথিনা অকায় অতোই থোকখিবগা লোয়ননা মদু পিস অনী থোক্না কায়খি অমসুং ক্রু মেম্বর ৩০ জহাজ অদু থাদোকখ্রে।

লোকেল মতমদা পুং ৩ তারকপদা মীওই অহুম রেস্ক্যু তৌখি অমসুং মখোয় হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি।

হোংকোংগী ওথোরিটিশিংনা থাগৎপা ফুটেজতা মীওই অমা ঈশিংনা তঙ্খায় অমা থুমজিল্লবা জহাজকী দেক্তগী হেলিকোপ্টর অমদা চিংখৎপগী শক্তম উবা ফঙখি। মীওই অদুবু হেলিকোপ্টরদা চিংনখৎনবা হোৎনরিঙৈ অদুদা মখাগী জহাজ অদুদা অকনবা ঈথৎ ঈপোমশিংনা য়ৈবগী শক্তমসু উখি।

গভর্নমেন্টগী ষ্টেটমেন্ট অমদা থৌদোক অদুদা হিংহৌবা মীওই অহুমগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, অতৈ ক্রু মেম্বরশিং অদু অহানবা হেলিকোপ্টর থুংলদ্রিঙৈগী মমাঙদা অকনবা ঈথক ঈপোমশিংনা চেনখিবা ওইরম্বসু য়াই।

তাইফুন চাবা সাউথ চাইনা সিগী ময়াই থংবা শরুক্তা শেল্লবা মতুং থাংজ নুমিৎকী নুংথিলদা সাউথ চাইনাগী গ্বাংদোং প্রোভিন্সতা শিৎচিল্লকখিবনি। হোংকোংগী রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা থৌদোক অদুগী মতাংদা লোকেল মতমদা অয়ুক পুং ৭.২৫ তাবা মতমদা পাউ পীখি অমসুং জহাজ অদু তাইফুন চাবাগী ময়াই থংবা শরুক্কী মনাক নক্না থেংনখি।

মফম অদুদা শাথিবা ৱেদরগী ফিভমশিং লৈরম্বগা লোয়ননা অনকপদা লৈরিবা ৱিন ফার্মশিংনা রেস্ক্যু ওপরেসন অদু হেন্না লুশিলহনখি। জহাজ লৈরিবা মফম অদুদা নুংশিৎকী স্পিদ পুংদা কিলোমিটর ১৪৪ য়ৌখি অমসুং সমুদ্রগী ঈথক ঈপোমশিং অদু মিটর ১০ ফাওবা ৱাংখি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি।

গভর্নমেন্ট ফ্লাইং সার্ভিসনা ফিক্স-ৱিন্দ এয়রক্রাফটকী সোর্টিনরি থাখি অমসুং হেলিকোপ্টর সোর্টিনরিসু থাখি। মেনলেন্দ চাইনিজ ওথোরিটিশিংনসু রেস্ক্যু হি অমা থাখি।

রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা ফোঙদোরকখিবদা মী মশিং য়াম্না মাঙখিবা ওইবনা মখোয়না থী হুন্বগী থবক চথুরিবা মফমশিং অদু হেন্না চাওথোকহল্লগনি অমসুং ওপরেসন অদু কন্দিসনশিংনা য়ারবদি অহিংচুপ্পা চথগনি।

# লেবাননদা হ্যুমেনিটরিয়ন ক্রাইসিস থোক্লক্লগনি হায়না য়ুএন কোওর্দিনেটরনা ৱার্নিং তৌখ্রে



জিনিভা, জুলাই ২ (এজেন্সী): য়ুনাইটেদ নেসন্স (য়ুএন) গী সেনিয়র ওফিসল অমনা লেবাননগী হৌজিক লৈরিবা হ্যুমেনিটরিয়ন ফিভমগী অপদেট অমা পীখিবগা লোয়ননা লেবাননগী ক্রাইসিস অদুনা লৈবাক অদুগী মফম খুদিংমক্তা অমদি মীপুম খুদিংমকপু শোকহল্লি হায়খ্রে।

জিনিভাদা প্রেস ব্রিফিং অমদা ৱা ঙাঙলদুনা য়ুএন রেজিদেন্ট কোওর্দিনেটর এন্দ হ্যুমেনিটরিয়ন কোওর্দিনেটর ফোর লেবানন নাজাক রোক্সদিনা হায়খি, মদুদি লেবাননগী সোসিয়ো-ইকনোমিক প্রোব্লেমশিং য়ুক্রেন ক্রাইসিসকী চৈথেংনা হেন্না লুশিলহনখি।

য়ুক্রেনগী ক্রাইসিস লাকপদগী লেবাননদা চান থক্নবা পোৎলমশিংগী মমল কা হেন্না ৱাংলকপগা লোয়ননা ফুদ সেক্যুরিটিদা অকিবা পীখি। ঐখোয়গী হন্দক্কী এসেসমেন্টনা চহী অসি লোইবা ফাওবদা লৈবাক অসিগী মীওই মিলিয়ন ২.২ বু চিঙ্গাক অমসুং অতৈ তঙাই ফদবা পোৎলমশিং ফঙহন্নবা য়াম্না থুনা মতেং পাঙবা মথৌ তাই হায়বসি উৎলি। অসুম্না অথুবা মতমদা চিঙ্গাক অমদি অতৈ তঙাই ফদবা পোৎলমশিং ফঙহনবা মথৌ তারিবা লৈবাক অসিগী মীওই মশিং অসি মমাঙগী চহীগা চাংদম্নবদা চাদা ৮৬ হেনগৎলবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

নাজাদনা মখা তানা হায়খি, মদুদি লেবাননগী লেবর ফোর্সকী শরুক অহুম থোকপগী অমরোম থবক ফঙদ্রে। থবক ফঙদবগী চাং অসি কুমজা ২০১৮-১৯ চহীদা চাদা ১১.৪ ওইরম্বদগী কুমজা ২০২২ দা চাদা ২৯.৬ তা হেনগৎলকখি।

য়ুএন ওফিসল অসিনা হায়, লৈবাক অসিগী থাগী ওইবা মিনিমম ৱেজ অসি হৌজিক য়ুএস দোল্লর ২৫ দগী হন্থদনা ইনকম অমসুং পর্চেজিং পৱার চাওনা হন্থরক্লে। খ্বাইদগী নৌবা য়ুএন ফিগর্সকী মতুং ইন্না লেবাননগী স্মোল-স্কিল ইন্টরপ্রাইসশিংগী ৱার্কর অপুম্বগী চাদ ৮৫ রোম থবক লেপহনখিবগা লোয়ননা অপুনবা ইন্টরপ্রাইসশিং অদুগী চাদ ৫১ মতম খরগী ওইনা ওপরেসন লেপ্লে। হৌজিক মখা তানা থবক শুহৌরিবা ৱার্করশিংগী চাদা ৯৪ গী খুৎশুমলশিং চাওনা হন্থখ্রে হায়খি।

# চাইনানা সিনজিয়াংবু ইন্দষ্ট্রিএল হব ওন্থোক্নবা হোৎনরকপনা উইগুরশিংদা অকিবা পোকহল্লে



ৱাশিংতন, জুলাই ২ (এজেন্সী): চাইনানা লৈবাক অসিগী নোংচুপ ইথং থংবা সিনজিয়াংবু মেন্যুফেকচরিং পৱার হাউস অমা ওন্থোক্নবা হোৎনরক্লিবা অসিনা উইগুর কয়া মখোয়গী অনিংবা অপাম্বগী মায়োক্তা নমদুনা থবক শুহল্লকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী এক্সপোর্টশিং ফোর্স লেবর শীজিন্নখিব্রা হায়বসি খঙদোক্নবা হোৎনবদা হেন্না লুহনবা য়াই হায়না ৱাশিংতন দিসিদা বেজ তৌবা রিছর্স গ্রুপকী অনৌবা রিপোর্টনা হায়রি।

গ্লোবেল কনফ্লিক্ট অমসুং ট্রান্সনেসনেল সেক্যুরিটি ইস্যুশিং ষ্টদি তৌরিবা সেন্টর ফোর এদভান্স দিফেন্স ষ্টদিজ (সি৪এদিএস) না হায়, চাইনানা সপ্লাই চেনশিং ফগৎহন্নবা তুং কোইনা চৎনগদবা পান্দম অমগী শরুক অমা ওইনা ইন্দষ্ট্রিএল পার্কশিং লিংখৎলক্লি অমসুং ষ্টেটনা চল্লাইবা ইন্টরপ্রাইজশিংদা অহেনবা শেলগী মতেং পীরি অমদি লৈবাক অসিগী বোর্দরশিংগী মনুংদা লৈরিবা মেন্যুফেকচররশিং অমগা অমগা শম্নহন্নবা হোৎনরি।

রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হায়, চাইনিজ গভর্নমেন্টনা সিনজিয়াং উইগুর ওটোনোমস রিজন (এক্সয়ুএআর) বু ইন্দষ্ট্রিগী লমদা চাওখৎহন্নবগী অখন্নবা থৌরাং অমা ওইনা পায়খৎলক্লি। মসিনা অহেনবা কোর্পোরেসনশিংনা মফম অদুদা মেন্যুফেকচরিং ওপরেসনশিং লিংনবা হোৎনরক্লি।

বৈজিংনা কন্ট্রোল তৌবা ইন্দষ্ট্রিএল পোলিসি অসি গভর্নমেন্টনা উইগুরশিং অমদি অতৈ টর্কিক মীয়াম্বু লেবর রেজিম অমগী মখাদা নমদুনা থবক্তা শীজিন্ননবা হোৎনরকপদা মরু ওইবা খুৎলায় অমনি হায়না আরএফএ উইগুর রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা এক্স য়ু এ আরদা চথুরক্লিবা ইন্দষ্ট্রিয়েলাইজেসনগী দ্রাইভ অদুগী মপুং ওইবা মেকানিজমগী সিনজিয়াংগী কাউন্টিশিং অমসুং ম্যুনিসিপালিটিশিংবু নোংপোক থংবা সমুদ্র মপানদা লৈরিবা হেন্না ইনাক খুনবা প্রোভিন্সশিং অমসুং ম্যুনিসিপালিটিশিংদা লম্বীশিং ওইনা শম্নহন্নবা হোৎনবগী প্রোগ্রাম অমনি।

# লিবিয়াদা প্রোটেষ্টরশিংনা পার্লিয়ামেন্টদা থোমজিনখ্রে



ট্রিপোলি, জুলাই ২ (এজেন্সী): প্রোটেষ্টরশিংনা লিবিয়াগী নোংপোক থংবা সিটি তোব্রুক্তা লৈবা লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্টদা থোমজিনখিবগা লোয়ননা বিল্ডিং অদুগী শরুক খরা মৈ থাখ্রে।

ওনলাইনদা থাগৎপা ইমেজশিংদা দেমোন্সট্রেটরশিংনা মপানদা টায়র কয়া মৈ থাবগা লোয়ননা অমুবা মৈখু মপৈশিং কাখৎলকপা উখি।

পৱার সপ্লাই তোইনা লেপ্পা, পোৎচৈশিংগী মমল হেনগৎলকপা অমসুং পোলিটিকেলগী লৈখায় তাবা ফিভম লাকহন্দবগী মায়োক্তা মীয়াম্না লিবিয়াগী অতৈ সিটিশিংদা রেল্লি কয়া পাঙথোক্নুনা লাকখি।

রাইবেল এদমিনিষ্ট্রেসন অমনা কন্ট্রোল তৌবা কেপিটেল ট্রিপোলিদা প্রোটেষ্টরশিংনা মীখল পাঙথোক্লবা দিমান্দ তৌখি। মখোয়গী দিমান্দ অদুবু ইন্টরিম য়ুনিটি গভর্নমেন্টগী মকোক অব্দুল হামিদ দৈবানা শৌগৎখি।

মহাক্না লৈবাক অদুগী ইন্সটিট্যুসন পুন্নমক হোংদোকপা মথৌ তারে হায়না ফোঙদোকখি।

ইরাং অদু য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ৱাতেমদুনা জিনিভাদা পাঙথোকপা মীফম অমা লৈখায় তানা য়ান্নবা পুরকপা ঙমদনা লোইশিনখিবা মতুং মথংগী নুমিত্তা থোরক্লিবনি।

কুমজা ২০১১ দা নাটোনা শৌগৎখিবা মীয়ামগী ইরাংদা মতম শাংনা লৈবাক অদুবু পাল্লকখিবা কর্নেল মোহম্মদ গদ্দাফিবু লৈঙাক্কী পৱারদগী চিংথুখিবদগী লিবিয়াদা কাং খোং চাইবগী ফিভম লৈরকখি। থাউ মরাং কায়না ফঙবা লৈবাক অসি মতম অমদা অফ্রিকাগী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী লিভিং ষ্টেন্দর্দ লৈবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরম্মী।

# সুদানগী সিটি কয়াদা চথখিবা দেমোন্সট্রেসনশিংদা প্রোটেষ্টর তরুক শিখ্রে



খার্টুম, জুলাই ২ (এজেন্সী): সুদানগী কেপিটেল সিটি খার্টুম অমসুং অতৈ সিটিশিংদা পাঙথোকখিবা দেমোন্সট্রেসনশিংদা প্রোটেষ্টর তরুক শিরে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

ইরাই নুমিৎকী অথেংবদা ইস্যু তৌখিবা পুলিস ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না শগোলশেল নুমিৎতা চথখিবা প্রোটেষ্টশিং অদুদা পুলিস পার্সনেল ৯৬ অমসুং সুদানিষ্ট আর্মদ ফোর্সেসকী লান্মী ১২৯ শোকখি।

পুলিসনা প্রোটেষ্টরশিংবু রেগ্যুলর ফোর্সশিং অমদি ষ্ট্রেটেজিক লোকেসনশিংদা এটেক্ট তৌবগী অমদি গাড়ী কয়া অমাঙ অতা থোকহনবগী মরাল শীখি।

চৈরকসিদা নন-গভর্নমেন্ট ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা সেন্ট্রল কম্মিটি ওফ সুদানিষ্টর ডাক্তর্সনা শগোলশেল নুমিৎকী প্রোটেষ্টশিং অদুদা প্রোটেষ্টর মাপন শিখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০২১ গী ওক্তোবর ২৫ দা সুদানিষ্ট আর্মদ ফোর্সেসকী জেনরেল কম্মান্দর অবদেল ফতাহ অল-বুরহাননা কু অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা সোভরেন্ট কাউন্সিল অমসুং গভর্নমেন্ট মুথৎখিবদগী লৈবাক অসিদা পোলিটিকেল ক্রাইসিস অমা থোক্নুনা লাক্লি। মতমদুদগী কেপিটেল খার্টুম অমসুং লৈবাক অসিগী অতৈ সিটিশিংদা মীয়াম্না অকনবা প্রোটেষ্টশিং লেপ্তুনা চথুদুনা সুদানদা সিভিলিয়ন লৈঙাক হঞ্জিলহন্নবা তকশিন্দুনা লাকখি। থেংখাং কয়াদা প্রোটেষ্টর কয়াগী পুন্সি লোমখ্রবনি।

# কলেজগী প্রিন্সিপাল ইকায়বা পীবগীদমক বাংলাদেশকী অৱামি লিগনা লোকেল লিদর অমা দিসমিস তৌখ্রে



ধাকা, জুলাই ২ (এজেন্সী): বাংলাদেশকী নরাইলদা লৈবা কলেজ অমগী প্রিন্সিপালবু ইকায়বা পীবগীদমক লৈবাক অসিগী রুল্লিং পার্টি অৱামি লিগনা লোকেল লিদর অমা দিসমিস তৌখ্রে।

জুন ১৮ দা থোকখিবা থৌদোক অদুগী ভিদিও অমদা লোকেলশিং অমসুং মহৈরোয়শিংনা পুলিস লৈনা লৈনা মিরজাপুর য়ুনাইটেদ দিগ্রি কলেজকী এক্তিং প্রিন্সিপাল সোপন কুমার বিস্বাসকী মঙক্তা খোঙউপ পরেং উপ্পগী শক্তম উবা ফঙখি।

মখোয়না ইস্লামিষ্টশিংগী মখুত্তগী মহাক্না হিন্দু মহৈরোয় অমবু কন্নবা হোৎনখিবগা মরী লৈননা মখোয়না মহাকপু ইস্লাম লাইনিং লাইশোলগী চাং তাহল্লি হায়না মরাল শীখি হায়রি।

কলেজ অদুগী ওজা অমসু ওইরিবা অৱামি লিগকী লুচিংবা অকটের হোসাইন তিক্কুবু দিসমিস তৌরিবদু ভিদিও অদুদা মহাকসু য়াওরম্বা থেংনখিবা মতুংদনি।

ৱাথোক অসিদা চেন্নরিবা অকটের পার্টি অসিগী বিসালি য়ুনিয়ন কাউন্সিল য়ুনিটকী প্রসিদেন্টনি।

চৈরকসিদা নরায়লগী এদুকেসন ওথোরিটিশিংনা থৌদোক অদুগী মতুংদা মহৈরোয়শিংবু স্কুলশিং, কলেজশিং অমসুং মদ্রাসাশিংদা মোবাইল ফোনশিং শীজিন্নবা থিংখ্রে। ইরাই নুমিত্তা হোম মিনিষ্টর অসাদুসমন খান কমলনা থৌদোক অদুগী মতাংদা মপুং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথহন্নবা গভর্নমেন্টনা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং লৌখৎলগনি হায়না লাউথোকখি।

থৌদোক অদুগী মতুংদা প্রিন্সিপাল অমসুং মহৈরোয় অদু পুলিস ষ্টেসনদা পুখি। অদুম ওইনমক প্রিন্সিপাল অদুদি দিটেন তৌখিদে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

লৈবাক অদুগী মফম কয়াদা প্রোটেষ্ট চথুরকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিন্নবা বাংলাদেশকী দিরেক্তোরেট ওফ সেকেন্দরি এন্দ হায়র এদুকেসন্না কম্মিটি অমা শেমখ্রে। থৌদোক অদুগী মতুংদা স্বাপন ময়ুমদা লৈরক্ত্রি। মহাক্কী লোইনবীগী মতুং ইন্না মহাক সেক্যুরিটিগী অকিবা লৈবদগী লোৎখ্রে।

ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
***ADMISSIONS OPEN***
FOR THE ACADEMIC YEAR 2022-23
HURRY UP BOOK YOUR SEAT NOW !
STUDY IN ONE OF THE BEST ENGINEERING AND PHARMACY COLLEGE OF BANGALORE
*** COURSES OFFERED: ***
*B. E (Computer Science / Artificial Intelligence and Machine Learning) Fees Structure :
1st Year Rs: 1.35 lakh, 2nd Year to 4th year Rs: 90K per Year.
*B. E (Civil / Electronics and Communication / Mechanical) Fees Structure :
1st Year Rs: 1.15 lakh, 2nd Year to 4th Year Rs: 75K per Year.
B. Pharmacy Fees Structure : 1st Sem 1.25 lakh, 2nd Sem to 8th Sem Rs: 50K per Semester.
* College Highlights *
*No Donation *Reasonable tuition fees *Beautiful college campus *Well equipped labs & training classes *Highly qualified teaching faculties *Placement in top MNC's Companies *Well furnished hostel rooms *Separate hostel for boys and girls.
CONTACT US: 8310788408, 9362331862.
REGIONAL ADMISSION OFFICE at Sagolband Meino Leirak, Imphal.
HL-P/2939/11/6 to 9/7 Alt Days